# লৈত-লায়র কোকহল্লবতদা চাউখৎপা পুরকপা ঙমগদৌরিবনি: নহাকপম ইন্দ্রজিৎ

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস)ঃ
লম্বী শেম্বা, থক্কবা অফবা ঈশিং ফঙহনবা, শেমগৎ শাগৎপা হায়বসিদি মীহুৎ ওইরিবা ঐখোয়গী ইথৌ ওইদুনা লৈরবনি। লৈত-লায়রা কোকহল্লবতদা চাউখৎপা হায়বদু ওইগদৌরিবনি ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

উজ্বালা স্কীমগী ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুং চন্না লৈবা বিনিফিসরিশিংদা ঙসি চাকথোং গ্যাস কন্নেক্সনশিং ইমুং ৯৮ গী মীওইশিংদা য়েন্থোক্লন্দুনা এম এল এ ইন্দ্রজিৎনা হায়খি, মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম পায়খৎপা মতমদা ঐঙোন্দা ভোট পীখি নৎত্রগা পীদে হায়বগী খেন্নবা থম্বা লৈতে। মীয়াম্নসু ভোট পীখিদে হায়দুনা ইকায়বা তৌবীগনু। অৱাং অপাশিং অদু মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা ঐহাকপু কৌরগা খঙহনবীয়ু। ঐহাক শুকশোয় শোয়দনা অৱাৎ অপাশিং অদু য়েংশিনবা লাকচগে। মতম অমদা সেন্তরদগী স্কীম অমগী লুপা ১০ থাদরকপদা বিনিফিসরি অমদা লুপা অনীখক ফঙবগী মতৌ অদু হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিগী মতমদদি লৈররোই। বিনিফিসরিশিংগী ফংফম থোকপশিং অদু মপুং ফানা ফঙহন্দুনা লায়রবা কোকহন্নবা অঙম্বা থাক্তা লৈঙাক অসিনা হোৎনরি।

সেন্তরনা লায়রবা মীয়ামগী য়াইফননবা তোঙান তোঙানবা স্কীম কয়া পায়খৎলি। স্কীমশিং অসিগী কান্নবশিং অদু ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুং চন্না লৈরিবা লায়রবা মীয়ামদা মপুং ফানা ফঙহনগনি। চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না লুচিংবা লৈঙাক অসিনা গো টু হিল, খুঙ্গং চৎসি মীসনগী মখাদা লৈত-লায়রশিং কোকহন্নবা অমদি মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা নোংমাইজিং খুদিংগী ক্ষেত্রিগাও এ সীগীসু মীয়ামগী অৱাৎপশিং করি লৈবগে হায়বদু য়েংশিল্লি।

ক্ষেত্রিগাও এ সীগী ওইনা পায়খৎলকপা চাউখৎ থৌরাংগী থবক খুদিংমক মীয়ামগা তান্নরগা পায়খৎকনি। কুসি-রাশিদা মীয়াম তান্নদনা থবক অমত্তা তৌরোই। মীয়াম্না চহী মঙাগী ওইনা মীহুৎ ওইহনবীরবনিনা লৌফম থোকপা থৌদাং মপুং ফানা লৌজগনি। মসিদা খেন্নবা অমত্তা থল্লোই। এ সী অসিদা লায়রবা ইমুং কয়া লৈরি। লায়রবা ইমুংশিং অসিনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি কোকহল্লবতদা ক্ষেত্রিগাও এ সীসু চাউখৎপা এ সী অমা ওইগদৌরিবনি। মসিগীদমক অঙম্বা থৌনা পুথোক্তুনা হোৎনগনি হায়নসু এম এল এ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

আর বি ইন্দেন অমসুং পোরোমপাৎ ইন্দেন সর্ভিসকা পুন্না খুৎশম্নদুনা উজ্বালা স্কীমগী মখাদা চাকথোং গ্যাস কন্নেক্সনশিং য়েন্থোকখিবগী থম্বালখোং মৈতৈ শঙলেনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা আর বি ইন্দেনগী প্রোপ্রাইটর জি রোবিন্দ্রো শর্ম্মা, বি জে পি ক্ষেত্রিগাও মন্দলগী ভাইস প্রসিদেন্ট ঐচ চাউবা, ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুংদা লৈবা প্রধান অমদি ৱার্দ মেম্বরশিং লোয়ননা এক্স জিল্লা পরিষদ মেম্বর টি ইতোবী য়াওনা শরুক য়াখি।

# লৈঙাক্না মহৈরোয় নুপীমচাশিংবু মীরায়বীরে: সুরজকুমার

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস)ঃ
জুপিটর ক্লব থৌবাল বামোন লৈরক্তা লৈবনা শীন্দুনা হন্দক পাঙথোকখিবা ক্লাস টেন অমদি টুৱেল্বকী ইগজামদা মার্ক ৱাঙনা ফঙলক্লবা মহৈরোয়শিংবু পুক্নিং থৌগৎলদুনা ফষ্ট মেরিটোরিয়স এৱার্দ অমসুং প্রাইজ দিষ্ট্রিব্যুসন থৌরম ঙসি ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা খাঙবোক এ সীগী এম এল এ, ও সুরজকুমার, হান্নগী এম এল এ, ও লম্বোদানি, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেয়রপর্সন টিঐচ শ্যামো, কাউন্সিল্লর ঐচ জমুনা, দব্লিউ ইবোচৌবা, এস ইবোতোম্বী অমদি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফালগী রিটায়র্দ এসিষ্টেন্ট দিরেক্তর কে মাইকেলনা অথোইবা মীথুংশিং ওইদুনা শরুক য়াখি।

থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্ন নম্বর ১০ গী মনুংদা লৈবা মহৈরোয় ২৬ অমদি জুপিটর ক্লবনা কোনবা মফমদা লৈবা মহৈরোয় ১৬ পুন্না মহৈরোয় ৪৬ পু খুদোলপোৎশিং পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম এল এ, ও সুরজকুমারনা হায়, লৈরিবা লৈঙাক অসিগী ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদসু য়াওখিবা নুপীমচাশিংবু অহেনবা মীৎয়েং থমগনি হায়খিবা, বেট্রি বচাও বেট্রি পরাও হায়না সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনসু কন্না লাউদুনা লৈরিবা ৱাফম অসি লমদম অসিদদি থবক ওইনা পায়খৎপা উদ্রে। হন্দক কোলেজ খরা গভর্নমেন্টনা লৌখৎখিবা মতমদা নুপীশিংগীতা ওইরিবা কোলেজ অনী এস কে ৱুমেন কোলেজ অমসুং ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজ মীরায়বীরম্বা হায়বসি য়াম্না লায়বক থিবনি। মসি লৈঙাক্না অমুক হন্না খন্নবীদুনা নুপীমচা মহৈরোয়শিংগীদমক পায়খৎপা য়াবা পায়খৎপীনবগীদমক লৈঙাক্কী পুক্নিং চীংশিনখি।

# সার্টিফিকেট য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস)ঃ
ইনফোর্মেসন এন্দ কলচরেল সোসাইটি মণিপুর (আই সী এস এম) না চথখিবা অহানবা বেটচকী কম্প্যুটর ট্রেনিং প্রোগ্রামদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিংদা সার্টিফিকেট য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি লুৱাংশংবম লৈবা লিবরেল কোলেজদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সোসল ৱার্কর নোংথোম্বম হিয়াইনুনা চীফ গেষ্ট, হৈঙাং মন্দল বি জে পিগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ জিলানা প্রসিদেন্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী অধক্ষা পি বিমোলা, এম ও বি সী অমসুং এস সীগী দিরেক্টর এন জি ভোগেন্দ্রো, এন জি উত্তম, দিরেক্টর, মাইনোরিটি এফ্যেরস (জোইন্ট দিরেক্টর) মহুদ, ৱাইখোম ইবোহল, দিরেক্টর টুরিজম, এন শরতচন্দ্র দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজর, এম এস পি সী এল অমসুং দল্লিয়ু ইবেচাওবী, প্রিন্সিপাল, লিবরেল কোলেজনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোলদা নোংথোম্বম হিয়াইনুনা হায়খি, টেক্নোলোজিদা খম থেংনা চাউখৎলক্লবা মতম অসিদা লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্তা কম্প্যুটরগী নোলেজ লৈহনবা মথৌ তাই। অহল ওইরবা মীওইশিংদসু কম্প্যুটরগী লৌশিং লৈহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে। মালেমদা চৎনরিবা চাউখৎ লমজেল অসিদা ইরমদম অসিসু য়াওহন্নবা হোৎনবদা নহা ওইরিবা মীরোলশিং অসিগী চাউরবা থৌদাং লৈ। তুংগী য়ুম্বীরেল ওইগদৌরিব-শিংবু শেমগৎনবা হোৎনবদা মীয়াম্নসু শৌগৎপীয়ু অমসুং মহাক্কী মায়কৈদগীসু পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুগী অরোইবদা মরী লৈনবা মহৈরোয়শিংদা সার্টিফিকেটসু য়েন্থোকখি।

# মীথোই মীহেল্লবশিং পক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস)ঃ
নহারোল শিন্থা কাঙলুপ, ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবীনা ঙসি লৈকায় অসিদা লৈবা শান্নবা অমদি মহৈ-মশিনগী লমদা মীথোই মীহেল্লবা শান্নরোই অমদি মহৈরোয়শিংবু পুক্নিং থৌগৎপগী থৌরম অমা ৱাংখৈ কৈথেল অশাংবীদা লৈবা মল্টিপর্পজ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

য়াইস্কুল এ সীগী এম এল এ, টিঐচ সৈত্যবর্ত্তনা চীফ গেষ্ট, এস এস কেগী প্রসিদেন্ট এন কুমারনা প্রসিদেন্ট, ৱার্দ নম্বর ২০ গী কোর্পোরেটর এল তোম্বী, ৱাংখৈ হায়স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেস ৱাই মিরাবাই, ষ্টেট হেল্ঠ দিপার্টমেন্টকী দেন্টেল সর্জন ডা. কেঐচ বসন্তকুমার অমসুং এন এস কেগী ভাইস প্রসিদেন্ট এস ইবোতোম্বীনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা হন্দক পাঙথোকখিবা বোসোম, কোসেম অমদি সী বি এস ঈনা লৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুৱেল্বকী ইগজামিনেসনদা ফষ্ট দিভিজন ফাওবদা পাস তৌখিবা অমদি তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা নেসনল অমদি ষ্টেটকী থাক্তা লৈকায় অসিগী মীংচৎ পুরকখ্রবা মহৈরোয় অমদি শান্নরোয় ৩১ দা খুদোলপোৎশিং পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ সৈত্যবর্ত্তনা হায়, মহৈরোয়শিংনা তুংদা অফবা মী অমা ওইরক্নবা কন্না হোৎনবা চঙই। মহাক্কী মায়কৈদগীসু এ সী অসি চাউখৎনবগীদমক মহৈ-মশিন অমদি শান্নবদা অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি। মীয়াম্নসু হিরম অসিদা মতেং পাংবীনবা আপিল তৌখি। লোয়ননা লায়রবা মহৈরোয়শিংগীদমক মতম পুন্সদা লেপকনি হায়খি।

# মৈতৈ কন্সত্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদকী অহুমশুবা এন্ন্যএল কনক্লেব মীট পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস)ঃ
মৈতৈ কন্সত্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদকী অহুমশুবা এন্ন্যএল কনক্লেব মীট ঙসি পোরোমপাৎ থৱানথাবা অয়াংপল্লিদা লৈবা সেমরোক কীদস গার্দেনগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এন পি পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা এক্স এম এল এ বিবেক রাজ ৱাংখেম, মৈতৈ কন্সত্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্তর চিংশুবম অশোক মৈতৈ, লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিটিগী দিরেক্তর এল ভগৎতোন, অরুন ইন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপ্রাইটর টিঐচ অরুন্না মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবা অরুন ইন্টরপ্রাইজেসকী প্রোপ্রাইটর টিঐচ অরুন্না হায়খি, মৈতৈ কন্সত্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্তর ওইরিবা অশোক মৈতৈ য়াম্না নহা ওইরিবা ওন্ত্রাপ্রেন্যুয়র অমনি। মহাক্কী মখাদা মীওই ২০০ হেন্না থবক তৌরি। মসিমক্না খুন্নাই অসিদা থবক ফঙদবগী প্রোব্লেম লৈরিবা অসি কোকহন্নবা হোৎনবদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইরি। মরম অসিনা অশোকক্নম্বা মতিং লৈবা নহা ওইরিবা ওন্ত্রাপ্রেন্যুয়র কয়া থোরক্লবদি খুন্নাই অসিদা থবক ফংদবগী প্রোব্লেম অসি লৈরোই হায়না খল্লি। তুংদসু ফার্ম অসিনা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলকখিগনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এক্স এম এল এ বিবেক রাজ ৱাংখেমনা হায়খি, মীওই কয়াবু থবক পীবতা নত্তনা খুন্নাই অসিবু হেন্না চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌরিবা মৈতৈ কন্সত্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদ অসিগী কোর্পোরেট ওফিস ক্ষেত্রিগাও এ সীগী মনুং চন্না লৈবা অসিদা নুংঙাইবা পোকই। তুংদসু প্রাইভেট লিমিটেদ অসিনা মণিপুরী খুন্নাইবু চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরক্কনি থাজে।

মৈতৈ কন্সত্রক্সন প্রাইভেট লিমিটেদকী মেনেজিং দিরেক্তর সীঐচ অশোক মৈতৈনা হায়খি, প্রাইভেট লিমিটেদ অসিনা কন্সত্রক্সনগী থবক কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি। মসিদসু নত্তনা প্রাইভেট লিমিটেদ অসিগী ৱিঙ ওইনা সেমরোক কীদস গার্দেন অমদি তোঙান তোঙানবা কন্সত্রক্সনগী থবকশিংদা শীজিন্নগদবা তাইল ব্লোক্কচিংবসু শাবগী থবক হৌরে। লমদম অসিগী মীয়ামদা থবক শুবগী হৈনবী থমদুনা অমদি খুন্নাই অসিদা লৈরিবা থবক ফঙদ্রিবা মীওইশিংদা থবক পীননবসু হোৎনরি। মসিদসু নত্তনা প্রাইভেট লিমিটেদ অসিনা মপান লমগী কম্পেনিশিংগা চাংদম্নদুনা ক্বালিটি লৈবা কন্সত্রক্সনগী থবকশিংসু পায়খৎনবা হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা পেন্টিং কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস)ঃ
অচানবিগৈ য়ুথ দিভলপমেন্ট ক্লবনা শীন্দুনা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরমগা মরী লৈননা পেন্টিং কম্পিটিসন অচানবিগৈ লাই হরাওফম কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ইষ্টকী অধক্ষ পি বিমোলানা চীফ গেষ্ট, মণিপুর গভর্নমেন্টকী সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী ফোরেষ্ট ওফিসর লোংজম জয়কুমারনা প্রসিদেন্ট, ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী দিরেক্তর হাওবিজম চাউবনা গেষ্ট ওফ ওনর, টুরিজমগী দিরেক্তর ৱাইখোম ইবোহল, পি ঐচ ঈ দিগী ইগজিক্যুটিব এঞ্জিনিয়র কৈসাম রামেশ্বর, নহারোল থৌদাংগী এদিটর খোইরোম লোয়ালাকপা, দেপ্যুটি ফোরেষ্ট রেঞ্জ অয়েকপম ইশো অমদি সোসল ৱার্কর লুৱাংশংবমদগী এন গান্ধীসু শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোলদা পি বিমোলানা হায়, ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে হৌখিবা জুন ৫ দা পাঙথোকখ্রবসু ঙসি মফম অসিদা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে বিট প্লাষ্টিক হায়বা থিমদা পাঙথোক্লি। হৌজিক প্লাষ্টিক অসি মীপুম খুদিংমক্না শীজিন্নৈ। প্লাষ্টিক খুদিংমক লোয়না ফত্তে হায়বা নত্তে। ঐখোয়না প্লাষ্টিক শীজিন্নরগদি মফম চানা লংথোকপা তাই।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা উ চারা কয়াসু থাখি লোয়ননা পেন্টিং কম্পিটিস অমু পাঙথোক্তুনা মকোক মথং তারবশিংদা মনা-মথুম য়েন্থোক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

# সী এমগী হকশেলগী কার্দ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস)ঃ
ৱাংখেম এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা ৱার্দ নম্বর ৩২/৬ কিয়াম সিফাই অমুরিজমগী ওইনা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেঙবাংগী খুদোংচাবা ফঙলগদবা বিনিফিসরি ৪৫ দা কার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অমা কিয়াম মুরিজামদা পাঙথোকখ্রে।

কার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা বি জে পি ৱাংখেম মন্দলগী প্রসিদেন্ট এল সুনিলকুমার, বি জে ৱাই এমগী প্রসিদেন্ট ৱাই জোগেন, জেনরেল সেক্রেটরি এস শ্যামকুমার অমদি বি জে পি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মীদিয়া সেক্রেটরি দব্লিউ রোমেন লোয়ননা লমদম অদুগী শরুক ইরবা মীওই কয়া অমদি বিনিফিসরি কয়াসু শরুক য়াখি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# পেরেন্ট কেদেট মীট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস)ঃ সাইনিক স্কুল ইম্ফালগী পেরেন্ট এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ঙসি চীংমৈরোংদা লৈবা ত্রাইবেল রিছর্স ইন্সটিট্যুসনগী ওদিটোরিয়ম হোলদা পেরেন্ট কেদেট মীট হায়বা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু সেসন অনী থোক্না খায়দোকখি। অহানবা সেসন ওইনা পেরেন্ট ওফ দি কেদেট ওফ দি সাইনিক স্কুল, ইম্ফাল: দ্যুটিজ এন্দ রেস্পোন্সিবিলিটি হায়বা হিরমদা খন্ন নৈনবগী থৌরম ওইখি। থৌরম অদুদা মোদেরেটর ওইনা প্রোফেসর এস জিবোলকুমার, দিরেক্তর ঈ এম আর সী, এম য়ুনা ওইখি অমদি পেনেলিষ্টশিং ওইনা এল অজিৎ, ফোর্মর টিচর সাইনিক স্কুল ইম্ফাল (এস এস আই), ভিক্রম নেপ্রম এক্স ষ্ট্যুদেন্টস অমসুং এল রাজেন ফোর্মর জেনরেল সেক্রেটরি এস এস আই পেরেন্ট এসোসিয়েসন্না ওইখি। অনীশুবা সেসনদা সাইনিক স্কুলগী ক্লাস সিক্সতগী নাইন ফাওবগী ক্লাস টোপ্পর ৩/৩ অমদি সী বি এস ঈনা লৌবা ক্লাস টেন, টুৱেল্বকী ইগজামদা চাদা ৯০ গী মথক্তা পাস তৌরকপা মহৈরোয়শিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

Our Mission: Producing POSITION Holders from non-Position Holders
DAS Delta Advance School
Kwakeithel Bazar, Imphal
A Co-Educational Higher Secondary
Govt. recognised & Affiliated to COHSEM
Admission Open for Class-XI
Science & Arts
Special Facilities for Meritorious Students
Direct Admitted Students (70 % & above)
89.4% 87.6% 80.1% 79.9% 79.8% 79.8% 79 % 78 % 73.8%
73% 73% 72.8% 72.6% 72.3% 72.3 % 72 % 70.1% 71.1%
CBSE Students are also Welcome
Many Attractive Facilities with Smart Class & Advance Lab;
Added advance Medical & Engineering classes
Direct Admission
No cut off marks; Admission at First come First
COME & SEE THE DIFFERENCE, FEEL THE DIFFERENCE
HL-B46601-13June

ভিক্তরদা থমখিবা অথিংবা লৌথোকপা লৈতে

হৌখিবা তাং ১৫/৫/২০১৭ ইংদা তাখিবা লৈকাইগী ৱারেপ অমুক হন্না কনশিনহনবগা লোয়ননা লৈকাইগী ৱারেপ অমা লৌদ্রি ফাওবা ***শৌগাইজম ভিক্তর*** অপোকপা ***এস মতাই***-দা থম্বা লৈকাইগী অথিংবা অদু মখা তানা অদুমক চৎনখিগনি। করিগুম্বা **এস ভিক্তর**-না লৈকাইগী ৱারেপ অসি থুগাইদুনা লৈকাইদা চঙলকপা থোক্লবদি মদুদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী তেকচাক খুদিংমক মশানা পুজবা হায়না লেপ্লবগা লোয়ননা অথিংবা অসি থুগাইদুনা লৈকাই অসিগী মীওই অমনা নৎত্রগা মাগী ইমুং-মনুংনা **ভিক্তর**-বু পুশিন্দুনা থল্লম্বা তারবদি চেন্নরিবা মীওইদুসু লৈকাইদগী ইন্থোকপগী চৈরাক ফঙহনবা হায়নসু ৱারেপ্লরে।

Sd/- PRESIDENT, Lamdong Chaokhat Thourang Lup
SECRETARY, Lamdong Leikai Meira Paibi
PRESIDENT, Bright Way Club
HL-P/1611/11

প্রোম্যসর্গ/পাইলস ফহনবীবগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোকচরি

পাইলসনা প্রোব্লেম ওইরগা চহী ৫ অৱাবা খাঙদুনা লাক্লি। মাইবশিংগী হিদাক চাদুনা পৈশাতা তিংখি অনাবদি ফবা ঙমখিদে। মমৈথংদা ৱাঙ্গোই ষ্টেট বেঙ্ক অৱাং (পাঙন লৈরক) তা লৈবা ওজা **অব্দুল হক কন্টেক নম্বর ঃ ৮০১৪৬২৩৭৫৬, ৯৩৮৩২১৪৭৪৭** কি হিদাক চাবা অমদি তৈবা তৌজবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা অৱাবা খোঙ হাম্বদা কুইনা চংবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ য়াওবা, শৌজদা চিকপা শাবা, গ্যেষ্ট্রিক, খ্বাঙ নাবা, শৌজ মনুং অমদি মপান্দা পোম্বা, শোকপদা নাবা, চানিংবা পোক্তবা খুদিংমক হৌজিক্তি য়াম্না নুংঙাইজরে। অৱাবা পুম্নমক কোক্লে। মসিদগী হেন্না নুংঙাইবা লৈজদ্রি। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

***থাগৎচরিবা :*** SK. NANDA SINGH
Nagamapal Soram
HL-P/1427/11

STUDY MBBS/MD IN ABROAD
BANGLADESH, CHINA, KAZAKHSTAN
KRYGYSTAN, PHILIPPINES, GEORGIA
SOUTH AMERICA, UKRAINE, RUSSIA
(PACKAGE STARTS FROM 12 LAC)
Eligibility : 2018 NEET Qualified Candidate Only
ADMISSION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE FOR NEET-2019
(Available Library Facility with Reading Room After Class Hour)
Class starts from 27th June 2018
Free seats for 450 above in NEET Exam. 2018 & PCB 80%
A.S. Education Trust Minuthong, Hatta Tellipati, Imphal
4th GATEWAY ABROAD INTERNATIONAL EDUCATION EXPO 2018
FREE ENTRY
at Nupi Lal Memorial Complex, Imphal, Manipur
On 23, 24, 25 June, 2018
PLZ Contact : Atawar Rahman, A.S. Education Trust
(JR INTERNATIONAL EDUCATION CONSULTANT)
Khergao Thambalkhong, Near Old Cambridge School, Imphal East, Manipur
BRANCH OFFICE :
A.S. Education Trust
Minuthong, Hatta Tellipati, Imphal
Contact No. : 8974084294, 9615706900,8415930784,8794249895
HL-P/1549/6/6-6/7

ADVANCED COACHING INSTITUTE
Regd. No. : 729
# 9862992105
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road
(Opposit mantripukhi auto parking)
REGULAR MEDICAL & ENGINEERING COURSE - Foundation Course for Class IX to XII (Arts and Science)
(Separate CBSE,BOSEM&COHSEM Batches)
Felicitation of Toppers of COHSEM Exam. 2018
WISH YOU ALL THE BEST IN YOUR FUTURE CAREER
SCIENCE
ARTS



HL-B46586/28/5-27/6